থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# কোরোনাভাইরসকী ৱাখল খল্লুবদা

হৌজিক, মালেমগী মীয়াম পুম্নমক খ্বাইদগী কিনরিবসি ন্যুক্লিয়র ৱিপন/এটোম বোম অমদি লাই মখল অমগীদমক মপুন্সি কথোক্লবা লান্মী 'সুইসাইদ বোম্মর'শিংদু নত্তে। মশক উবা ঙমদবা, উদ্রবসু নুংশিৎকী শহুম ফংবগুম 'লৈ হায়বা খঙনবা' শহুম অমা পীরকপসু লৈতবা, পিকপদগী পিক্লবা মহিক-মতায় য়েংনবা 'মাইক্রোস্কোপ' কী মতেংনা লেবোরেটরি'দা য়েংবা নত্তনা উঙমদবা তমথীরবা হিংচাবা অমগী শক্লোন লৌদুনা মীওইবা খুন্নাইদা লান্দারক্লিবা 'কোভিদ-১৯' হায়না মিংথোন পীরবা কোরোনাভাইরস অসিনি। চাইনাদগী হৌরকপা মহীকসিনা মীওইবা খুন্নাইদা লান্দারক্লিবা - কাঙলূপ-ফুরুপ/লাইনীংগী খেন্নবা থমদনা, ইরৈবাক-মীরৈবাক' বাউন্দরিগী ৱাফম থমদননি। মফম খুদিং কোভিদ-১৯গী ৱারী শানদবা য়াওদে। খন্নরম্মী - ইন্দিয়াদদি পাক য়ৌরক্লোই। সোসল মিদিয়াগী খূথাংদা লায়নাসিগী মরমদা মীয়াম্না খঙনরকখিবা ওইবনা, মখা তাবা অনাবা মখলসিগী অনৌবা পাউ মিদিয়াসিগী খূথাংদা শন্দোরক্লিবা মীরায়রুবা য়াদবনি। হায়নৈ - চাইনাগুম্বা ইনাক খুল্লবা, শক্তি লৈরবা, ইফিসিয়েন্ট ওইবা লৈঙাক অমনা চলাইরিবা, ৱাখল লৈবা (মথৌ খঙবা) সিটিজেন ওইবা লৈবাক অমা ওইবগী অসুক থুনা লায়না অসি লাকশিনবা ঙমহৌরিবনি, ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক অমদগী হৌরকপা ওইরম্মু, হৌজিক চাইনাদা শিরিবা মীশিংদগী শরুক কয়া হেন্না শিরমগনি, অনাবসিনা শোকহল্লবা মীগী মশীংসু হেনগৎলমগনি। থোং অমা/য়ূম অমা শাবদা চহী কয়া চঙবগী রেকোর্দ লৈরিবা লমসিদা, নুমিৎ নিপান'নিদা মথোল লোঙবা, ফমুং ২০০০ থাবা হোস্পিটাল অমা শাবা লোইদুনা শীজিন্নবা হৌখিবগী মিদিয়া রিপোর্ট/ভিদিও ক্লিপ্পিংস - মালেম পূম্বনা অঙকপগা লোয়ননা তানখিবনি। থাজখিদে। ইবেনপোক্কী ফুঙ্গা ৱারী, থোকউদা থোকপা তম্ফা-খুদোপ য়াইওইবা, অহিং অমদা কোনুংগুম্বা য়ূম অমা শাদুনা থল্লম্বগী, অঙাং ওইরিঙৈ মঙলান ফুরা শাগৎহনখিবা, মপূং মরৈ ফারক্লগা ওইথোক্লরোইদবা ৱারীনি খন্না থমখ্রবশিংদু নৌহৌননা নীংশিংলকখি। ওইথোক্তবদু ওইথোক্লেদনা - খনখি। অদুবু, মদুসু চাইনা ওইবগী ঙম্বনি, ইন্দিয়াদবু অদুগুম্বা ৱারী...তারুবগী কান্নদে... খনখিবনি।

অসিগুম্বা লুরবা তানফমদা ইন্দিয়া'দা লুরিবসি ইন্দিয়ন রুল্লরনা/অঙম্বনা/ওথোরিটি অমনা তৌবা থবক, ইন্দিয়নশিংনা থাজ দবা অসিনি। অচুম্বনা ফাগি তৌবা ভিদিও অমখক শিমলাদগী মরুপ (পুলিস ওফিসর) অমনা থারকই। ফাগি ওইরবসু মাগীদু 'তাবা য়াবা, লৌশিনবা য়াবা ৱা' খরা য়াওরি। ৱাফমশিং অসি ইন্দিয়াগী মীচম-মীয়াম (আম জনতা) অসিনা খন্থবীরল্লবা, লমদমসিগী মীয়াম্বু (লৈবাকসিবু) অতোপ্পা মীরম-মচাশিংনা ইকায়খুম্নবা খরদি হেনগৎলমগদবনি। ফাগি অদু অদোমসু তানীংলমগনি, তমজরক্কে।

য়ূমগী নুপী অমনা, মাগী মপুরোইবদুনা মফি-মরোল শেৎচিল্লগা থবক চৎকে থোরকপদুদা হায়, "করিনো তৌবীরিবদুবো - চাইনাগী চিনখুম'কা অমত্তা উপ্তনা মপান চথোক্কদৌরিবদু কদায়দনো... ইন্দিয়াদসু মাগী কোরোনা-ভাইরস হায়ব্রা - কৈনো তমথীরবা, মীহাৎপা মহীক্তু য়ৌরক্লে হায়বনি, ইশা ইশানা চেকশিন্নসিকো নারগা ঐখোয় য়াওবা ঙমজরোই, নাদনবা হোৎনজৌ'... মাগী নুপীগী ৱার্নিং খূ'পীদু মরৌ লৈবা/কোচি অমা য়াওবা মাল্লি। মপুরোইবদু নাহন্নীংদদুনা হায়বা ওইর'সু, নুংশিদুনা চেকশিনজবা ওইরবসু, মপুরোইবদুনা লায়নাদু নারকপা থোক্লবদি সেবা তৌবা য়াওবা ঙল্লোই, মহাক হৌজিক শিনীংদ্রি হায়বা ৱার্নিং অমা য়াওরি হায়বা মহাক খঙই। নোকফেৎ তৌনা খুল্লকই ... 'মোৎপদগী মোৎলবা লমনি, ইন্দিয়া হায়বা লমসিদা লমকোয়বা চৎলুনু হায়না চাইনিজশিংনা থিংলিবা লমদমনি




... উফুল থাংবা লম্বীগী চিদাইদা য়োল্লিবা মনা-মশিং, হয়িং তোংবা অথুম-অহাও চারিবা, মোৎলবা ঈশিংদা হঞ্জিন-হঞ্জিন চাল্লবা পাত্রদা হাপ্লগা পাম্না হাওনা অচা-অথক চারিবা, দিটর্জেন্ট পাওদর/ফক্লাং ৱাই তৈনবা মচুদগী শুংবা শঙ্গোমনা শেম্বা চা থক্লিবা, কাঙ-হয়িং-ককচেংগা ইরোয়মিন্নবা চিনি মহীদগী লৌখৎলকপা জিলিবি, ফুরি থুংবা হকচাংদুদা ফুরি হোৎলুরগা হামদোক্তবা খূৎ'তুনা হৌবা তল, কৈদৌঙৈদা চামথোক্কনি খঙদবা অৱাংবা টেঙ্কিংদুদগী থারকপা ঈশিংদুবু লেপ্তনা থল্লক-চারকপদা করিমত্তা শোক্লক্ত্রবা (ষ্টিল বোদিগুল্লবা) ইন্দিয়নশিংগী হকচাংনি ... কোরোনাভাইরস হায়বা মহীক ককনাওদুনা কৈদৌজরবা ঙমগনি... করিমত্তা ৱারুনু দার্লিং'...।

হায়'সু হায়বনি। করিগুম্বা মণিপুরদা মহীকসিনা য়ৌরক্লবা, শিখিগদবা মীগী চাং ৱাখলসিনা লামশিল্লুবদা তুং চুংই। হৌরকফম ওইরিবা চাইনাদদি লায়না অসি লাকশিল্লবগা অমহানি। অনৌবা অনাবা মালেম শিন্না শন্দোরক্লিবসিদি চাইনাগী মপান্দগী শন্দোরকপনা চাদা মরিফুগী চাংদনি। পাউদম অসি ইজ রিবা মীকুপসিফাওবদা ফংবা পাউ মতুংইন্না, হৌজিক মিপাইনীংঙাই ওইনা শন্দোরক্লিবসি ইরান, খা-কোরিয়া অমসুং জপান'না ওইরি। ইরান'দদি হৌজিক মসজিৎশিংদা ইরাইগী লাইশোন পাঙথোকপসু থিংখরে। কোরিয়া অমসুং জ পানসু চাওখৎলবা, ইনাক খুনবা লৈবাকনি - শেল লৈ, টেক্নোলোজি মরাং কায়, মীয়ামসু ৱাখল তাই - লায়না কন্ট্রোল তৌখিনি। মীশিং য়াম্বা, শেল লৈতবা লায়রবা, লৈঙাক্না পুকচেল শেংদবা মীয়াম্না ৱাখল তাদবা, হায়না-তানা-য়াদবা ... অসিনচিংবা ফেক্টরসিনা মরম ওইরগনি মীশি-মীনাগী চাং ৱাংদৌরিবা।

ৱাথোকসিগী অতোপ্পা মায়ওন অমা অমুক য়েংসি। লাইচৎসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অমদগী অমদা চৎনবা মীগী চাং খঙহন হন্থখিবসিনা লৈবাকসিগী ইকোনোমিদা শোকহল্লক্কদবা, টুরিজম ইন্দষ্ট্রিদা তাংজদুনা হিংবা লৈবাকশিংগীদি, লাইচৎসিনা মখা তানা পীরক্কদবা অকনবা চৈথেং অমনি। দিল্লিগী হোটেলশিংদসু চৈথেং অসি ফংবা হৌরে। মালেমগী হিষ্টরিগী লামায়শিংদা ইরম্বা, চহী-চা খুদিংগী মালেমগী মফম অমা নৎত্রগা অমদা অসিগুম্বা লাইচৎনা মশীং থিঙমদ্রবা মীওই কয়া হাৎখিবা/শিহনখিবগী ৱারী - লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা মী মশীং কন্ট্রোল তৌনবা নেচর (মহৌশা) না পায়খৎলম্বা পান্থৈ অমা ওইরম্বা তাই। ১৯১৮দা থোকখিবা 'স্পেনিস ইনফ্লুয়েঞ্জা'না মরম ওইদুনা য়ুরোপকী অপূনবা মী মশীংগী অহুম থোকপগী অমা শিখি হায়নৈদনা। কুনমাথোইশুবা চহীচাগী ওইনা অদুগুম্বা এটেক অমা 'মিষ্টর-গোদ' না চথরক্কে তৌবদা, সুপরিয়রিটিগী অথোয় অহেন তান্নরিবা মীওইবগা মুক্নবা অমা থোকপা ... মদুমসু খন্নবা য়াবা ৱানি খন্নরমগনি মীওই কাঙলূপ অমনা।

ইমবেলেন্স ওইরবা নেচরেল প্রোসেস অসি বেল্যান্স তৌনবা নেচর'না অতোপ্পা থৌরাং অমা শোয়দনা পাঙথোক্লক্কনি - সুনামি, অর্থক্কেক নৎত্রগা অতোপ্পা কলামিটি অমা। মদুগীদমক ঐখোয় চেকশিনসি।


লৌশিং পুক্কে

# এল্লর্জিনা নাকোংদা নাবা অমদি ইনফেক্সন তৌহনবা

এল্লর্জি মখল খরনা নাকোংদা নাবা ফাওহল্লকপা য়াই। এল্লর্জি মখল কয়া অমনা নাতোনদা অমদি নাকোংগা শম্নবা সাইনসতা ইরিটেসন নৎত্রগা কনজেসন থোকহল্লি। মসিনা মরম ওইরগা নাকোংদা প্রেসর হেনগৎহল্লি নৎত্রগা মহীগী শরুকশিং পৈখৎতুনা লৈহল্লি।

এল্লর্জিশিংগা নাকোংদা নাবা অমদি ইনফেক্সন তৌবগা লৈনবা মরীগী মরমদা খঙমিন্নসি।

**এল্লর্জিনা মরম ওইরগা নাকোংদা নাবা ফাওহনবা :** এল্লর্জি রাইনাইটিসনা নাকোংদা নাবা ফাওহল্লকপা য়াই। নাতোনগী এল্লর্জি নৎত্রগা এল্লর্জি রাইনাইটিসনা করিগুম্বা মতমদা নাকোংদা চৈনা ফাওহল্লি। এল্লর্জি তৌবনা সাইনসতা অমদি ইয়র কেনেলশিংদা কনজেসন থোকহল্লি, মসিনা নাকোংদা চৈনাখোল ফাওদুনা নুংঙাইতবা থোকহল্লি।




এল্লর্জিনা মরম ওইরগা হকচাংদা হিষ্টামিনগুম্বা কেমিকেলশিং পুথোকহল্লি, মসিনা নাতোন, মীৎ অমদি খৌনাউদা ইরিটেট তৌহল্লি। ইরিটেসন থোকপা অসিগী রিএক্সন অমা ওইনা সাইনস চাউথোরকই অমদি মহীগী শরুকশিং পৈখৎলকই। মসিনা মরম ওইরগা নাকোংগী কেনেলশিংদা শোকহন্দুনা চৈনাখোল ফাওহল্লি।

**এল্লর্জিনা নাকোংদা চৈনা ফাওহল্লিবগী মরমশিংদি:** নাকোং দ্রমগী মনীংদা মহীগী শরুকশিং পৈখৎপা; নাকোংগী ইনফেক্সন তৌরকপা; ইষ্টেসিয়ন ট্যুব ফুঞ্জিন্দুনা প্রেসর হেনগৎহনবা অসিনচিংবশিং অসিনি।

**এল্লর্জিনা নাকোংগী ইনফেক্সন তৌহনবা :** এল্লর্জিনা নাকোংগী ইনফেক্সনসু তৌহনবা ঙম্মী। সিজনেল ওইবা মওংদা নৎত্রগা চহী চূপ্পা এল্লর্জি তৌদুনতা লৈবা মীওইশিংদনা হেন্না নাকোংগী ইনফেক্সন তৌগল্লি।

ইনভাইরনমেন্টল এল্লর্জিনা ইষ্টেসিয়ন ট্যুবতা ইরিটেসন তৌহল্লি। ইষ্টেসিয়ন ট্যুব হায়বসি মিদল ইয়রদগী খৌনাউফাওবগী মরক্তা লৈবা ট্যুব অমনি। নাকোংগী মপান থংবা শরুক্তা মনুং থংবা শরুক্কী মরক্তা প্রেসর বেলেন্স তৌবদা ট্যুব অসিনা মতেং পাংই। এল্লর্জি তৌবনা ইষ্টেসিয়ন ট্যুব অসি পোমখৎহনবা ঙম্মী, মসিনা মিদল এয়রদগী মহীগী শরুকশিং চুমথখিবদা অপনবা পী।

মহীশিং চুমথবা ঙমদবদগী নাকোং দ্রমগী মনীংদা পৈখৎতুনা লৈরকই, পৈখৎতুনা লৈরিবা মহীশিং অসিদা বেক্টরিয়া অমদি ভাইরসশিং লৈরকপগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। বেক্টরিয়া অমদি ভাইরসশিং অসিনা মিদল ইয়রদা ইনফেক্সন তৌহল্লকই।

মিদল ইয়রদা ইনফেক্সন তৌবগী সিম্পটোমশিং ইখঙ খঙহৌদনা উৎলকপা য়াই। সিম্পটোমশিং অদুগী মনুংদা পোমখৎপা; নাকোং দ্রমগী মচু ঙাঙবা; লাইহৌ; নাকোংদগী মচুম তাবা; নাকোং ফুনবগুম্না ফাওবা; নাকোং নাম্মা নৎত্রগা অনীমক্তা নাবা ফাওবা; তাবগী পাঙ্গল হন্থবা; খৌনাউদা চাথৎপা; নাকোংদা ক্রোক-ক্রোক লাউবা মখোল তাবা অসিনচিংবশিং য়াওরি।

**লায়েংবা :** এল্লর্জিনা মরম ওইরগা নাকোংদা নাবা ফাওরবদি এল্লর্জি অদু লায়েংবদা চৈনাখোল অদুসু ফখি।

এল্লর্জিনা মরম ওইরগা নাকোংদা নারকপদা লায়েংবগী ইহান হানবা খোঙথাংদি করম্বা মখলগী এল্লজি'না থোকহনবনো হায়বদু খঙদোকপা হায়বসিনি।

মীওই অমনা মঙোন্দা এল্লর্জি থোকহল্লিবা মরম অদু খঙলবদি মরম অদুদগী থাপ্না লৈদুনা এল্লজি তৌহন্দবা য়াই। খুদম ওইনা মীওই অমনা দষ্ট মাইটতা এল্লর্জি তৌবা ওইরগদি মহাক্কী লৈফম অদু লূ-নান্না অমদি ভেন্টিলেসন মতীক চানা লৈহনবনা এল্লর্জেন্টশিং অদুদগী থাপ্না লৈবা ঙমগনি।

অতোপ্পা লায়েং মখলশিংগী মনুংদা এল্লর্জি শোট নৎত্রগা এল্লর্জেন ইম্যুনোথেরাপি; এল্লর্জি টেব্লেট; অমদি অতৈ হীদাক-লাংথক মখলশিংসু য়াওরি।

এল্লর্জি শোট কাপ্পনা মতম শাংনা এল্লর্জি থোকহন্দবদা মতেং পাংই।

এল্লর্জি টেব্লেট হায়বসিসু এল্লর্জি শোটকা চপ মান্ননা মথৌ তৌবা এল্লর্জি শোটকী মহুৎ অমনি। মসি নুংতিগী চাবা য়াই।

অতৈ হীদাক-লাংথক মখলশিংগী মনুংদনা নেজল কোর্টিকোষ্টেরোইদ স্প্রে; নেজল এন্টিহিষ্টামিন স্প্রে; এন্টিহিষ্টামিন টেব্লেট; অমদি দিকঞ্জেষ্টেন্ট টেব্লেট অসিনচিংবশিং য়াওরি।

এল্লর্জিগী হীদাক-লাংথক শীজিন্নবা মতমদা দোক্তরগী পাউতাক চপ চানা ইনবনা নাকোং নাবা য়াওনা হকচাংদা নুংঙাইতবা থোকহনবা সিম্পটোমশিং থোকহন্দে।

সিজনেল এল্লর্জি তৌবা মীওইশিংনা এল্লর্জি তৌগনবা মতম অদু য়ৌরক্ত্রিঙৈদা এল্লর্জিগী হীদাক-লাংথক চাহৌগদবনি। মরমদি হকচাংদা এল্লর্জিক রিএক্সন থোকহনবা কেমিকেলশিং থাদোক্কদবা অদু এল্লর্জিগী হীদাক-লাংথকশিংনা থাদোকহন্দে।

**নাকোঙদা ইনফেক্সন তৌবগী লায়েং :** এল্লর্জিনা মরম ওইরগা নাকোংদা ইনফেক্সন তৌরবদি দোক্তরদা য়েংথোক্কদবনি। দোক্তরনা প্রিস্ক্রাইব তৌরকপা হীদাক-লাংথকশিং অদু কাঙলোন চুম্না শীজিন্নবনা কান্নবা ফংহল্লি। এন্টিবাইওটিক্কচিংবা চাবা মতমদা দোক্তরগী পাউতাক য়াওদনা চারবদি পামদবা খুদোংথীবশিং থোকহন্নবগী মচাক ওইরকই। মসিদগী এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্সনচিংবা তমথিরবা ফিভম কয়া ওইহল্লক্রবগী মরম ওইরকপা য়াই। মরম অদুনা এন্টিবাইওটিক য়াওনা হীদাক লাংথকশিং চাবদা দোক্তরগী পাউতাক য়াওদ্রগদি চারোইদবনি।

# 'শিন্মীশিংগী ৱাথোক লোইশিন্দনা লৈরিবসিনা শুফম নোম্ফম খঙহন্দবসি হ্যুমেন রাইট ভাইওলেসন তৌবনি'

ইম্ফাল, মার্চ ০৫(ঐচ এন এস):

এফ সী আই গোদাউন শিন্মীশিংগী লোইশিন্দনা লৈরিবা ৱাথোক অসি থবক শুজ-নোমজরগা হিংজবা হৌজিক্লা শুফম-নোম্ফম খঙদনা লৈরিবা শিন্মী ১০৩গী মরাইবক অসি হ্যুমেন রাইট ভাইওলেসন তৌবনি হায়না পিপলস দেম্মক্রেটিক মুভমেন্ট মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কে ঐচ নিংথেমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হৌজিক থোক্লিবা শিন্মীশিংগী ৱাথোক অসি শিন্মীশিংদগী হুমাং মমল চুপ্তুনা শেন্দোং তাল্লিবা ঠিকাদারশিংনা হান্নদগী মপুং ফানা প্লান তৌরগা থোকহনগে য়াওনা থোকহনবা মাল্লি। ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা মতম শাংনা চঙহল্লিবা দিপার্টমেন্টেল প্রোসেস অসিনা শিন্মীশিং অমদি ইমুং-মনুংদা অদুক্কী মতিক ৱাহল্লে। শিন্মীগী পুন্সিবু নৈহৎতুনা থল্লগা কাঙলোন চুম্না লোইশিন্নবা হোৎনদবনা লৈঙাক অসিগী লৈঙাক্লোন অসি কনাগী য়েংলগা লৈঙাক্লিবনো। এফ সী আই গোদাউনশিংদা মতম শাংনদগী অৱাবা খাংলগা ফোঙদোকপা ঙমদনা লৈরক্লিবা শিন্মী কয়া অমগী মপুন্সি কেমখ্রে। মশাগী শিনফমদা হুমাং তানা থবক শুজগে হায়বা শিন্মীশিংগী ৱাকৎনা নৈদুনা থন্বীরগা মশাগী শেন্দোং তাল্লিবা মীওইশিংবুনা লূম্না লৌরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ম্যুজিক ভিদিও এৱার্দ থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস): ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ৮লকশুবা নোংইন মণিপুরী ম্যুজিক ভিদিও এৱার্দ ২০২০ চহীসিগী এপ্রিল ১৯ দা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়না ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী সেক্রেটরি এল প্রেমানন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ২০১৯গী এপ্রিল ১দগী ২০২০গী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা প্রিভিয়ু তৌখ্রবা ম্যুজিক ভিদিওশিংদমক ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। কনাগুম্বা ফিল্ম ৫দগী তাদনা লিদিং রোল কুমখ্রবা এক্টর অমদি এক্ট্রেসশিংনা ম্যুজিক ভিদিও ফেষ্টিভেল অসিদা অমুক কুল্লম্বা য়াওরবদি মখোয়দা এৱার্দ ক্লেম তৌবগী অয়াবা পীরোই হায়রি।

# ককচিং গার্দেনদা আর্টিসানশিংগী মীফম পাঙথোক্তুনা য়ুনিয়ন শেমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস):

ককচিং গার্দেনদা মণিপুরগী হেন্দিক্রাফ্ট আর্টিসানশিংগী ওইবা অপূনবা মীফম অমা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী নেসনল এৱার্দী দাইমন্দনা থৌরম মপু ওইদুনা মমাঙ থাগী ২৮দা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা মণিপুর হেন্দিক্রাফ্ট আর্টিসান য়ুনিয়ন শেমখ্রে হায়না য়ুনিয়ন অসিগী ষ্টেট কনভিনর পুখ্রম্বম প্রেমজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, য়ুনিয়ন অসিগী ষ্টেট কনভিনর ওইনা পুখ্রম্বম প্রেমজিৎপু খনখি। দিষ্ট্রিক্ট কনভিনর ১৩সু খনখি। মীওইশিং অদুদি, য়ৌমি সাচা, লোংজম তনুজা, এন বিশোরজিৎ, জেমসবোন, সনধ্যারানি, এস ঐচ গীতা, এসঐচ ইবোমচা, উমাকান্তা, রামেশ্বর, অরুনাপ্রিয়ারি, ওইনাম ব্রোজেন্দ্রো, তেমোথি অমদি কে কোরুংনি। য়ুনিয়ন অসিনা মণিপুরগী হেন্দিক্রাফ্ট দিপার্টমেন্টনা নমশিন্দুনা লৈরিবা ষ্টেট এৱার্দকী খল্লবা মীওইশিং অথুবদা লাউথোক্লবা অমদি হেন্দিক্রাফ্ট দিপার্টমেন্টনা আর্টিসানশিংগীদমক পীফম থোকপা তেংবাংশিং অথুবদা দিপার্টমেন্টনা পীহনবা হায়না ৱারেপ লৌখি।

মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা হেন্দিক্রাফ্ট আর্টিসানশিংনা শরুক য়াবগা লোয়ননা থবক থৌরমশিং য়াংনা চঙশিন্নবা হীরম কয়া কুপ্পা খন্ন-নৈনখি। য়ুনিয়ন অসিনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং তুংদা পায়খৎলকপদা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবগী ৱাফম কয়াসু থম্লখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

| ঙসিগী রাশি ফল | অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল। |
|---|---|

তাং ৬। ৩ ।২০২০ ইং, ইরাই; অয়ুক পুং ১১.৪৭ ফাওবা লমতাগী ১১ নি পাল্লি, মতুং ১২ নি পানগনি।

**মেষ :** লম্ অয়াম্বদা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি অদুনা থৌনা অমদি লিংজেল ফুদোকপা য়াগনি। য়েক্লবা হন্থগনি, ঙাওথোকপদা পকচবা নুমিৎনি। হোয়াদংদি ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংবদি ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃষ :** শিল্লম শিন্থা খঙবনা অমদি হৈশিংবনা অফবা থবক পাংবা ঙমগনি। নচা-ননাই চাওখৎকনি, হকচাং নুংঙাইগনি। য়েংনবা, শাওনবা, খুৎচাও থাবদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈংথবনা মফরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন:** ৱানোম থৌনোম কান্নগনি, পূক্লিংদা চিংনবা লৈরসু অচুম্বা চৎপনা কনানসু লাকচবা ঙমলোই। নুংঙাইবা, মীয়াম্না থোইনা য়াবা অমদি শেল ফংবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট :** হরাওবা নুংঙাইবা, মীচং হেনগৎপা অমদি লল্লোন ইতিক্তা চাউনা শেন্দোং ফংবা লৈগনি। নচাক-নরলদি অঙম্বনা লৌবীবা য়াবা লৈ-অনম তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** খাংবা কনবনা, অচুম্বা চৎপনা অমদি ইমুং-মনুংগী ৱা তারগা পাংবা থবকশিংদি মায় পাক্কনি। অশাওবা অমদি অপংবনা মাঙওইনরবা নুংশা থিনিংঙাই ওই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**কন্যা :** শেল অমদি মীচং তানশিনবা য়াগনি। অনৌবা থৌরমদা মায় ওনশিন্নীংগনি অমদি হোয়া ফবগী কান্নবা ফংগনি। লৌশিং থোকপদি ৱাৎলি-অনীরক খন্থৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা খরা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** চরাংনরদি কাইনবা শোইরোই অমদি হকচাংসু নুংঙাইবা ৱাৎকনি। অদুবু ৱাখল থোকপনা অনীংবা থবক লায়না পাংবা ঙমজগনি। লল্লোন ইতিক্তা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**বৃশ্চিক :** লাই-গুরুনা তাথীগনি অমদি নাপলনা কাইনবা নংহনগনি। অদুনা নোল্লুক্না চৎপা অমদি হোয়া ফদবনা কান্নবা ওইগনি। অশাওবদি অঙাওবনি কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - থেংলপ্পা মীংচৎ ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**ধনু :** থবক পাংবা, মীংচৎ তানবদা মায় পাকপা অমদি ইমুং-মনুংগী ৱাতনা লেম্নমক কান্নবা ফংগদবা নুমিৎনি। নরল অমদি নক্লবা কাইনদনবা হোৎনৌ-খাংবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - ইকাই খুম্নবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** নীংবা থুংবা, লল্লোন-ইতিক্তা শেন্দোং চাউনা ফংবা অমদি নুংঙাইবা পাউ তাজবা নুমিৎনি। অফবা থবক পাংগনি, মীয়ামগী মতেং ফংই। অফা অপুন্নবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** য়েক্লবনা পাংগলবা লৈবনা পূক্লিং পোত্থাফম খঙদবদি লৈগনি। মরুপ অমদি নথক থোংবগী মতেংনদি অৱাবা কোক্কনি অমদি শেল-থুম তানশিনবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিন :** নথক থোংবনা হায়বা ইনবনা পূন্নমক্তগী হেন্না ফগদবা নুমিৎনি। থৌনা ফুদোকপা অমদি লেংদবা লন তানশিনবা য়াগনি। য়েক্লবদি পাঙ্গল্লি -অনম তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - থেংলপ্পা নুংঙাইজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# ফক্লাং অসি থুগাইয়ো

থৱান





Thawan is a poet and musician from Imphal.